# ঈজৎসি চেৎনা খুদুম মনুংদা থল্লগা হিংসি

**— কর্নেল ঐচ সরত (রিটাইয়র্দ) —**
**(তুংগী মীরোলশিংগীদমক কখোকচবা)**

"If you want to destroy a NATION, Destroy the Education System of the Country" - Dr. Nelson Mandella. ৱারোলসি কংলৈপাক অসিদা চপ চানা চুল্লি। কংলৈপাক্কুম্বা খুন্নাই অমত্তা মালেমসিদা লৈতে। নোংম-নোংমগী কংশিল্লক্লিবা পান্থী (মরূ পৎলবা) অমগা শক্তম মান্নরিবা লৈবাকনি। শোয়রিবা পূম্নমকসিগী মরমদা কনা-কনানা শেমদোক্লবা হোৎনরিবগে? ঐখোয়গী অশোয়বশিংসি খন্থবা অমত্তা ঙমদ্রে। করম্বা মওংদা খুন্নাই অসি হিংলি হায়বসি মুন্না খনবা ৱাৎলি।

লাইরিক-লাইশুগী খুন্নাই ওইসি। শৈদাংদুনা লৈরক্লিবা কুকি কাঙলূপকী আই এ এস ওফিসর ৩৪শুখ্রে। আই পি এস, আই আর এস, আই দি এ এসনচিংবা মখোয় কয়াসু থবক তৌরি। এস টি কেদর অসি মখোয়তা নত্তে। পুন্সি হায়বসিদি থবক কন্না শূদনা-নোমদনা মীংচৎ ফংবা য়াবা নত্তে। ইজরিবা ঐহাকসি নেসনল লেভেলদা লৈরিবা Rashtriya Indian Military College (RIMC), Dehra Doon দা তম্লকখিবদা ঐগী ক্লাসতা 'ফর্ষ্ট' নৎত্রগা 'সেকেন্দ' তাজরকখি। ময়াং মচানা ঐখোয়গী ফূরুপ্তুগী করিসু হেন্দে। খাংপোকশঙদা হিংলিবা নহা কয়াসু আই এ এস, আই পি এসনচিংবা পরিক্ষা পাস তৌরগা মপুন্সি মায় পাক্লা হিংলি। আর্মি সর্ভিসতগী ভোলন্টিরি রিটাইয়রমেন্ট লৌরবা মতুং ইগনৌগী মতেংনা ঐহাক মাস কম্যুনিকেসন (জর্নেলিজম) গী কোর্স চহী ২ তম্লগা A+ grading পাস তৌখি। মথংদা ঐহাক্লা এদ্যুকেসন হায়বসি করিনো খঙনবা Bachelor of Education (BEd) গী কোর্স অসিসু তমখি। কোর্স অসিদসু A+ grading IGNOU না পীবিরকখি। অদুদগী পোষ্ট গ্রেজুএট তমখি। পোলিটিকেল সাইন্স সবজেক্টতা A+ grading দা হোৎনবগী মহয় ফংখি। এম বি এসু চথুগে তৌবনি অদুবু ঙমখিদ্রে। ডোক্তরেট ফংনবগী চথরিবা মওংসিদা ঐহাক পামদদুনা মখা চথদ্রে। মীওইবগী মপোক্তা ইবা-পাবা লেপ্পা য়াদে। শিদ্রিবা ফাওবদি মহৈরোয়নি।

লমদম অসিগী হান্নগী ৱারী খরা হাইগৎতুনা নীংশিংসি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা মণিপুর হিষ্ট্রি তম্বীরক্তে। ইন্দিয়ন হিষ্ট্রি, বৃটিশ হিষ্ট্রি তম্লকখি। মসি মতম অদুগী অঙম অথৌশিংগী খ্বাইদগী চাউনা শোয়বনি। ঐখোয়বু মীনাইদৌনা থম্লম্বা মখোয়গী হিষ্ট্রি খঙলগা খুন্নাইসিদা অরংবা মঙাল পুরক্কদরা? হৌজিক ক্লাস নাইন, টেন, এলেভন, ত্বেলভতা তম্লিবা মণিপুর হিষ্ট্রি অদু অথুবা মতমদা অমুক্তা রিভিয়ু তৌবীয়ু। য়াম্না সব-ষ্টেন্দর্দ ওইরি। মপূং ফাবা লাইরিক অমত্তা ওইদ্রি। ইকায়দরা নখোয়গী নমিংশিং লাইরিক্তুদা য়াওরিবদু?

কুমজা ১৯৪৯গী সেপ্টেম্বর ২১দা মর্জর এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবদু মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭কী মতুংইন্না এসেমব্লি ফম্লগা মর্জর এগ্রীমেন্ট অদু রিজেক্ট (য়াখিদে) তৌখি। এম কে বোধচন্দ্রনা এগ্রীমেন্ট অদু খূৎয়েক পীরোই হায়খিবদা মতমদুগী ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর সর্দার ভল্লভাই পটেলনা অসামদা বৃগেদিয়র অমত্তা লৈত্রবরা হংলকখিবগী টেলিগ্রামসু ৱিটনেস ওইনা লৈরি। নম্ফুদা মণিপুর লৌশিল্লগা পার্ট-সী ষ্টেট ওইনা থমখিবসি ঐখোয়বু হৌবদগী হৌনা ইকায়বা পীখ্রবনি। ময়াং মচাশিংগী মখোঙ পায়রগা খুরুম্বা চৎখিবা কোংগ্রেস লুচিংবা (মখোয়গী খরগী মমিংদু ইজররোই) মখোয় খরনা লৈবাকসি লৈখা তাহনবগী লম্বী চাউনা শেল্লম্লবনি। মওং-মরীল চুমদনা খূৎয়েক পীখিবা মর্জর এগ্রীমেন্ট অসিনা ইন্সর্জেন্সিগী মুভমেন্ট অসিগী নুংগী ৱাহন্থোক ওইহল্লি। ঈহৌ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা চথরকখিগনি।

Manipur (Administration) order 1949 dated 15 October, 1949 গী মতুং ইন্না মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরে হায়না ওর্দর থোকখ্রে। হান্না লৈরমখিবা মিনিষ্টর অমসুং এসেমব্লি লোইনা লোইশিনখ্রে। Major General Rawal Amar Singh বু চীফ কম্মিস্নর ওইনা খনখি। চীফ সেক্রেটরি ওইরমখিবা ঐচ বিরহরি অমসুং হোম সেক্রেটরি টি কলাচান্দবু সেকেন্দ এসিষ্টেন্ট অমসুং থর্দ এসিষ্টেন্ট টু দি চীফ কম্মিস্নর ওইনা খনখ্রে। অদুগা লো পোষ্টতা থবক তৌরিবা লেন্দ সেট্লমেন্ট ওফিসর, পি সী দেববু ফর্ষ্ট এসিষ্টেন্ট টু দি চীফ কম্মিস্নর ওইনা হোংদোকখ্রে। অসিগুম্বা ইকায়নীংঙাই ওইবা থবক থৌওংশিংসি কুমজা ১৯৪৯দগী হৌখ্রে। থাগী তোলোপসু ফর্ষ্ট সেক্রেটরিদা লুপা ৫০০ অদুগা সেকেন্দ অমসুং থর্দ সেক্রেটরিগী লুপা ৩০০ পীখি। রেজিষ্ট্রার ওফ মণিপুরগী পোষ্ট অদু সব রেজিষ্ট্রারদা হন্থরে। সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসসু Palit (Non-Manipuri) হাপখ্রে। নেপালি এক্স সর্ভিসমেন কয়াবু পুলিস ফোর্সতা লৌশিনখি। অদুগা গারৱাল রাইফলসপু কংলা ফোর্টতা থমখি। হান্না নিংথৌগী মতমদা লৈঙাক্কী থবক তৌরম্বা গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ী ২০০ হেন্না থবক লৌথোকখি।

কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর থা মনুংসিদা মেজর জেনরেল রৱাল অমর সিংহনা এম কে বোধচন্দ্রবু নোংমা লঞ্চ চামিন্নবগীদমক হায়রকখি। নিংথৌনা মনাই মশল ময়ামগা লোয়ননা লঞ্চ চানবগী চৎখিবদদি চীফ কম্মিস্নর অদু টুর চৎখ্রে খুল্লকখি। অসিগুম্বা উশিৎ থৌওইদবসিগী ৱাথোকসি খ্বাইদগী মকোক ওইবা ফাওবগী মনাকোংদা য়ৌখি। অদুদগী কুমজা ১৯৪৯গী নবেম্বর ১৮দা হিম্মট সিংহ মহেশ্বরিনা অনৌবা চীফ কম্মিস্নর ওইখি। হান্নগী অমসুং অনৌবা চীফ কম্মিস্নর অনীসি অফবা মী অমত্তা ওইখিদে হায়বগী খুদম চাংদমশিং লৈরি। ঐখোয়বু উশিৎ-থৌওইদবগী মরমশিংসি ঐখোয় পূম্নমক্না মুন্না খন্থরগা মতুংদা অমুক থোক্তনবা হোৎনসি। ঈজৎ লৈতনা হিংবা হৌনদে। হৌজিকসু ফূরুপ অসিগী ফম্নাইবশিংনা ঈজৎ মাঙহল্লি।

হিম্মট সিংহ অসি কোংগ্রেস পোলিটিসিয়ননি। য়াম্না অনেম্বা থাক্কী মীওইনি। মহাক্না লমদম অসিদা ওৎখাই নৈখায়বা হৌরকখি। বৃটিশনা চহী ৫৩ পানখিবা মতমদুদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম অসি ষ্টেট ওথোরিটিনা হৌদোকখিবনি নেপালি, অতোপ্পা মীতোপশিং চঙবা থিংবগী। অদুবু হিম্মট সিংহনা মণিপুর গেজেট পব্লিশ তৌরগা কুমজা ১৯৫০গী নবেম্বর ২৯দা ফোংলগা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম মূথৎখি। মণিপুর মীয়ামসি বৃটিশনা পাল্লিঙৈগী মতমদনা খরা ঈংনা চিক্লা হিংবা ঙমখি।

য়াম্না পোংজ চাউজনীংবা, মহাক মঙাইরে খঞ্জবা হিম্মট সিংহগা ৱানোম্বা চৎলুবা মীতৈ কোংগ্রেস লিদরশিংগা য়াম্না কন্না মুক্নরকখি। ইন্দিয়াদা পুল্লুবগী অৱাবা কয়া মথং মথং থেংনরকখি। সেন্ত্রেল টেক্সনচিংবা কয়া অমা খোমগৎলকখি। কোংগ্রেস লিদরশিংনা পব্লিক মীটিং পাঙথোক্লগা চীফ কম্মিস্নরগী অশোয়বশিংদু লাউ-খোঙখি। মতম অদুদা 'Janmabhumi' হায়বা পাউচেদুনা এদিটোরিএল কলমদসু চীফ কম্মিস্নরগী অহেনবা ময়ামদু ফোঙখি। Gandhi Maidan হায়বা মফমসু লৈরমখি। অদুগা কুমজা ১৯৫১গী ফেব্রুৱারী ২৫দা পব্লিক মীটিং পাঙথোকখি। কোংগ্রেস লিদরশিং ফাখি। কুমজা ১৯৫১গী এপ্রিল ৬তা হিম্মট সিংহ চীফ কম্মিস্নর ওইহন্দ্রে। কুমজা ১৯৫১গী এপ্রিল ৯দা Sir EP Menon ICS না চীফ কম্মিস্নরগী চার্জ লৌখি। মহাক ১৯২৯গী আই সী এস বেটচনি। মহাক্কী ফম অসি মহাক্না চান্নবা ওইদবনা মহাক্কী মহুত্তা RV. Prasad Bhargawa, ICS না কুমজা ১৯৫২গী সেপ্টেম্বর ২২দা অনৌবা চীফ কম্মিস্নর ওইখি। মহাক কুমজা ১৯৫৫গী জন্যুৱারী ২ ফাওবা চীফ কম্মিস্নর ওইরমখি।

মীতৈগী অহল-লমনশিংগা অতোপ্পা কাঙলূপকী অহলশিংগা হায়নীংঙাই লৈতনা খেন্নবগী মওংসি কুইর-কুইরগা ময়েক শেংলক্লি। চহী ৭৫গী মমাঙদগী মহাক্কী কাঙলূপ্তু মনীং মখা তম্না হিংনবগী পাম্বৈশিং শেল্লমখি। মখল-মখা কয়াগী প্লানশিং মায় পাক্লা পাঙথোক্লম্লি। Darwin's Theory "The Survival of the Fittest" হায়বা ৱাফমসি মালেমগী ওইবা থবকনি। অদুম ওইনমক কাঙলূপকীদমক খল্লগা অতোপ্পা কাঙবুদা মীবু হেক্তা নোংমৈনা কাপ্পা, হাৎপা, শা-কৈগী থবকশিং চথবদি মীওইবগী চৎন লোনচৎ নত্তে। মালেমসিদা অরানবা-চুমদবা থবক্লা মায় পাকখিবা কনাসু লৈতবনি। তাইবঙ শেম্বা মপুগী চৈরাক শোয়দনা ফংবনি। মতমগী ৱাফমতনি অহানবা নৎত্রগা অকোনবা হায়বদুদি।

ঙসি ফাওবদা য়ু পি এস সীনা পাঙথোকপা পরিক্ষা অমত্তদা ইন্দিয়াগী মকোক ওইবা ঙমদ্রি। ঙমদ্রিবগী মরমশিং খন্থবীয়ু। ঙম্ফম থোকপনি। লমদম অসিদা মেজোরিটি ওইরিবা ঐখোয়না মণিপুর লৈঙাক্কী Nerve Centre ওইরিবা ওফিসশিংগী মকোক ওইনবা য়াম্না কন্না হোৎনগদবনি। ঐখোয়গী ৱাখল খরা হোংদোক হোংজিন তৌসি। First Backward Class Commission, Kaka Kalelkar না চেয়রমেন ওইখিবা, Presidential order dated 29th January 1953, Article 340 of the constitution of India না 29th Nov. - 01 Dec. 1953 ফাওবা মণিপুরদা লাকখি। মীতৈ ত্রাইব অসি সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা পব্লিশ তৌরমখিদে। অদুগা মীতৈগী কনাগুম্বা অমত্তনসু টিম অদুগা উনখিদে। অদুনা সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী আই এ এস ওফিসর খরনা শেম্নীংবা মওংদা শেল্লগা লিষ্ট অদু পীশিনখি। মীতৈসু সেদ্যুল্ড ত্রাইবনি হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংলিবনি, মরমদি মণিপুর ইজ হিল ষ্টেটনি হায়বসি বৃটিশনা গেজেট ফোঙলম্লবনি। মীতৈসু কুমজা ১৯৫৩দা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টতা হাপহৌবরা নৎত্রগা হাপ্তবরা হায়বদু মতম অদুদা চোক তৌহৌগদবনি।

ঙসিগী মীরোলনা অৱাবা ফংলিবসি হান্নগী অহলশিংনা মথোঙ চাদবদগী থোক্লিবনি। অদুনা হান্নগী শোয়রম্বশিংসি খরা খরা তপ্না তপ্না চুমথোকসি। তুংগী মীরোলগীদমক নুংঙাইনবা লম্বী শেল্লমসি। নাগালেন্দ, মেঘালয়া, সিক্কিম, মিজোরাম, অরুনাচল প্রদেশতা মীতোপ্পা লম লৈবা য়াদে। ইন্নর লাইন পর্মিট য়াম্না ষ্ট্রিক্ট ওইনা পাঙথোক্লি। মেঘালয়াদা মীতোপ্তা ভোটিং রাইট পীদে। আধার কার্দসু ইস্যু তৌদে। করপসনদদি মণিপুর অসি ৱর্ল্ডগী রেঙ্ক ৱানদা শোয়দনা লৈরমগনি। শেলনা য়াদবা থবক থৌরম অমত্তা লৈতে। কোভিদনা মণিপুরদা অহোংবা কয়া উবা ফংখি। হরাও কুম্মৈ পূম্নমক হন্দক্কী চহীদগী লেপ্পীরো। সঙাই ফেষ্টিবেল পুন্সিগী য়েংনীংদদুনা য়েংদে। কুম্মৈ অমত্তা য়েংনীংদে, ইকায়বা খঙসি, ময়াং মচাদগী নিরগা হিংলোইসি, থবক কন্না শূসি।

ঐখোয়সি মীতোপশিংনা নুংশিবা ৱাৎলিবসিগী মরম অমুক্তা খন্থমিন্নসি। চীফ কম্মিস্নর হিম্মট সিংহ অসি কোংগ্রেসকী মীওইনি। অদুবু দেল্লীদা ৱানোম্বা চৎলুবা মীতৈ কোংগ্রেস লিদরশিংগা য়াম্না থুনা কায়নখি। মতম অদুদা হায়জ-নোঞ্জবা চৎপদা চীংমী অমত্তা য়াওরুবগী পাউদি তাখিদে। হিম্মট সিংহনা চীংমীশিংগী ৱেলফ্যের মিজর য়াম্না পাঙথোকপীরমখি। মখোয়গী এদ্যুকেসন, কম্যুনিকেসন, হেল্থ সেক্টরশিং ফগৎনবা হোৎনবিরমখি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা প্রপোজেল কয়া থারগা চীংমীশিংগী য়াইফনবা হোৎনবিখি। বৃটিশনসু চীংমীশিংবু খৃষ্টিয়ান ধর্ম্ম চৎহল্লগা মখোয়গী পুন্সিগী খোঙচৎতা অঙম্বা মতেং হৌজিক ফাওবা পাংলি। ধর্ম্ম খেন্নবগী মতুংইন্না পুন্সি মহিংসি অঙকপা ফংনা খেন্নরে। মীতৈদি ধর্ম্ম পূম্নমক্কী কুম্মৈ, লাংবা, চাবা য়াওই। চীংমীদি ইন্দিয়াগী ধর্ম্ম অমত্তদা শরুক য়াদে। খৃষ্টিয়ানদু নত্তনা অরানবশিংনা অচুম্বা শাবা ৱর্ল্ড ন্যুজ ওইহনখিবা, মণিপুরগী অশেংবা ৱাফমশিং, মালেমগী মীয়াম্না খঙনরক্লি। অরানবা-যূম্ফম য়াওদবা পাউশিংগী ফল ওইনা থা অসিগী ৯ অমসুং ১০দা পাঙথোক্কদৌরিবা জি-২০ সম্মিট, ন্যু দেল্লীগী Bharat Mandapam Convention Centre দা উৎলগনি। সম্মিট অসিদা চাইনা, সাওদি অরাবিয়া, সাউথ অফ্রিকা, মেক্সিকো, জপান, ইটলি, জর্মনি, ইন্দোনেসিয়া, ব্রাজিল অমসুং অর্জেন্টিনা লাক্লরোই হায়খ্রে। নেসন ১৯না শেম্বনি। স্পেনদি পার্লিয়ামেন্ট ইনভাইটিনি। হিন্দু মেজোরিটি ওইরিবা মীতৈনা মাইনোরিটি খৃষ্টিয়ান কুকি হাৎপা, ওৎপা নৈবীবনচিংবা ওইদবা ঙাঙবশিংগী মহয়নি, জি-২০ সম্মিট মায়থীরিবসি। ৱর্ল্ড লিদরশিংনা ইন্দিয়ন পোলিটিসিয়নশিংগী মরমদা য়াম্না কুপ্পা খঙলিবনি। ইংলিসকী অচুম্বা সেন্টেন্স অমা ফাওবা ঙাঙবা হৈত্রবা ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল লিদরশিংনি।

য়াম্না পাম্মুই পুন্সিগী হৌখিবা মতম অদু। লৈবাক্কীদমক মশক থোকপা থবক অমত্তা পাঙথোকপা ঙমদ্রি। হন্দক থেংনৈ, ইনাওনুপা শ্রী কাঙুজম জোগিন্দ্রো, এম য়ুগী ফিজিক্স দিপার্টমেন্টতা প্রোফেসর ওইরি। মহাক লাইরিক য়াম্না পায়। আর্টিকল অসি ইবদা মহাক্লা চাউরবা মতেং পাংবীখি। খুন্নাই অসি ফগৎহন্নীংবা মীওই অমনি। পুন্সিগী তৌরুবা থবক থৌরম খুদিংদা মায় পাকপা ওইবীয়ু।

কুকিশিংগী আর্ট ওফ ৱারফ্যের অসি কুমজা ১৯১৭-১৯দসু চপ মান্ননা চথখিবা অদুনি। মণিপুরগী কুকি এম এল এশিংনা মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টরগী মীটিং য়াওবা হায়বসি পুৱারীগী ওইনদি অনৌবা চেপ্টরনি। মসিদগী হেনবা ৱাফম কয়াসু তারকখিগনি, উরকখিগনি। হেন্না ফগৎপা ঙমদ্রবা খুন্নাই হায়বদু ওইরেদো, য়াম্না নুংঙাইতে। ●

## ষ্টেটকী পাউ

(লমায় ১গী মখা চথরকপা)

### (মীয়াম্না পাবীয়ু, নৈনবীয়ু)

# 'মণিপুরগী লানগী মতাংদা মীয়ামগী ৱাফম'

(৩)

মে ৩, ২০২৩গী কুকি-জৌনা শুক্তৌ তৌররোইদবা মশাদা চেল্লিবা ঈদুনা লোইখ্রবসু শুকঙম ঙল্লরোইদবা লান তৌদুনা মীতৈদা হৌরকপসিনি অঙকপনি ! লানসি অথুবদা লোইশিনবা পাল্লে। য়েলহৌমী ঐখোয়দি ইশানা ঙাকচবা তাবনি। কনাগী মতেং নীরোইসি। ইপা-ইপুনা থম্বীরম্বা কংলৈপাক ঙসিসু ইপা-ইপুগী তুং ইন্দুনা ইরমদম কনসি। লানফমসি ইরায় লায়না লৌরোইসি, হৈনা-শিংনা চঙশিনসি। থৱায়না পোম্থা ওইদুনা ইরৈবাক কলহৌসি, থৱায় থাদোকপা কিরোইসি। লৈঙাক্লা করিগুম্বা মখল অমত্তগী মতেং পাংলক্তবসু মীতৈ ঐখোয়গী লৈবাক মীতৈশিংনা ঙাক্কনি, কলহৌগনি। লানসিনা অঙকপা ফংনা চৈথেং নংলবা খুগা তম্পাক চুড়াচান্দপুরগী মীওই অমা ওইনা ইশাগী ওইবা মত ফোঙদোক্লবগী তাঞ্জা অমত্তং 'হকথেংনবা পাউদম' গা উনজবা পাম্মী। খুদোংচাবা পীবিয়ু। লানসিনা মীতৈ খুন্নাই অঙকপা ফংনা হীরম খুদিংমক্তা চৈথেং ফংলিবা অসিগী তেকচাক খুদিংমক লৈঙাক অমদি কুকি-জৌশিংনা পুগদবনি। মণিপুরদা অনৌবা সী এস ও ময়াম থোকপীবসি অমত্তা ওইবা ফিরেপ লৌমিন্নদুনা ইশাগী ইরমদম কলহৌবদা ৱাখল অনী লৈরোইসি। রিলিফ কেম্পদা লৈবা ফংজ হৌদ্রবা মরূপ-মপাং কয়াগীদা শৈদাংদুনা লৈরিবা ইমুং ময়ামগীসু সী এস ও, গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু। ইন্টরনেট ফংহন্দুনা মীতৈ ঐখোয়গী ফংফম থোকপা হক অমদি ফিরেপ মালেমগী মীয়ামদা য়ৌহনসি। চোকথবা লৈতবা থৌনাগা লোয়ননা ইরমদম কংলৈপাক মীতৈশিংনা কলহৌবা নত্তনা অতোপ্পা লম্বী লৈতে।

**অদোমগী - ৱাহেংবম নন্দকুমার, খুগা তম্পাক চুড়াচান্দপুর**
**# ৯৮৬২৮২৮৯৮৪**

(৪)

থা মরি লেপ্তুনা চথরিবা মণিপুরগী ঈৱাং অসি ইন্দিয়া লৈঙাক অসিনা লোইশিনবা নত্তনা কনানসু লোইশিনবা ঙল্লোই। অসুক কুইরবা মতম অসি সেন্টরগী লুচিংবা মরু ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর অমদি হোম মিনিষ্টরনা অরোনবা এজেন্দা অমগী মরুমদা শাংথহন্নবা হোৎনরি। থম্মোয় শেংনা লোইশিনগে খল্লদি নোংমদা লোইশিনবা য়াবনি। মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং, বি জে পিগী এম এল এশিং অমদি বি জে পিগী থৌমী ময়াম অসিনা মীয়ামগী মহুৎ শিন্দুনা সেন্টরদা কন্না তক্লবা নৎত্রবদি সেন্টরনা কনানসু হায়বা তারোই। হৌজিক মণিপুর মীয়াম্না ষ্টেট অসিগী বি জে পিগী লুচিংবশিং অমদি এম এল এ/মিনিষ্টরদা অকনবা প্রেসর পীবা নত্তনা লান অসি লোইশিন্নবা অতোপ্পা পাম্বৈ অমত্তা লৈতে। মখোয়না সেন্টরদা লান অসি লোইশিন্নবা তক্লবা ঙমদ্রবদি মখোয় লোইনমক পোলিটিক্সতগী মপুন্সি চুপ্পগী ওইনা পোথাহনগদবনি। ঐখোয় পূম্না লৈঙাক অসিদা অকনবা প্রেসর পীমিন্নরসি।

**অদোমগী- সেরাম নেকেন, শীংজমৈ ৱাংমা ক্ষেত্রি লৈকায়**
**# ৯৪৩৬০২৯০২১**

(৫)

## কুকিশিংনা হায়বা অমদি লৈবনিকো

লান শোক্লবা হায়বসিমক্তবু মরম লৈতবা হৌনদে। মালেমদা মনিং তম্বা ইজ রেলগা পাক চাউবা মান্নবা মণিপুরদা কাঙলূপ অনীগী শোক্লরকপা লান লোইবা নাইদ্রে। লান লোইশিন্দবগী মরু ওইবা মরম্না ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসিগী সনথোঙ ওইবতা নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়ামরুমগী মীতানফম ওইরিবা চীংলৈবাক মণিপুরদা মখোয় মশেল অঙম অঙম্বা হাত্তোক্লৌ হায়না ৱাওই থৌওইদনা লৈথোকখিবদগীনি।

লাননা মরম ওইরগা সুপ্রিম কোর্টমক্লসু মণিপুরদা আইন চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখ্রে। মীতৈ মচা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইবা অমনসু মণিপুরগী মতাংদা ফোঙদোকখ্রে।

চিফ মিনিষ্টর বিরেনগী লৈঙাকসিসু মমিংতা ঙাইরে, করিসু তৌবা ঙমদ্রে। লান খান্বদি লাইরদনা নেসনেল হায়ৱে থিংলিবসিফাও লৌথোকপা ঙমদ্রে। মশামকসু তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা য়েংশিল্লুবদি লাইরদনা লিলোং ফাওবা চৎত্রে। মসি লাইবক থীবনি। শান্তি (পিছ) গী মতাংসিদা ৱাফম অমত্তদি থমজগে লৌবা লৌদবা অদুনা তোঙানবা অমনি। লান হেক হৌরকঙৈদগী (মে ৩, ২০২৩) কুকিশিংনা তাল্লিবা মরু ওইবা দিমান্দ অমদি শ্রী বিরেন শিন্দোকউ হায়বসিনি। শ্রী বিরেনসু অদুম শিখাং খাংদুনা লৈবগী ৱানি। চুম্বা লানবনা তোঙাল্লগা ঐখোয়না খঞ্জরিবনা শ্রী বিরেন শিন্দোক্লগা মণিপুরদা পি আর থল্লক্কদবা মান্দে। মরমদি ইন্দিয়াগী জেনরেল ইলেক্সন কুইশিল্লক্তুবনিনা ইরমদম মণিপুর মচেৎ তাখিদৌ শরুকপুদি কুকিশিংগী মনিং থুংহনখিবনা হেন্না ফৈ। সিএম অসি পিবা ফমসু নত্তনা।

**অদোমগী - এ নন্দকুমার,**
**চনম পুখ্রি মপাল, শিংজমৈ**
**# ৯৭৭৪৪৯৯১৪৮**

(৬)

মঙগা চপ মান্নৈ। মে ৩ দা ইৱাং হৌরকখি। অদুবু ঐগী খুঙ্গং তাংজেং অহল্লুপ, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, কুম্বী এসিগী মীতৈ তাবা অরোইবা খুঙ্গং অমনি। খুঙ্গং অসিগা তাইনবা ৱার্দ পুনবা নাপৎ হায়বা খুল মচা অমা লৈ। খুলসিগী মনিংসু মখাসু অৱাংসু কুকি ত্রাইবশিংগা খুল লোন্নৈ। ঐনা খঙলকপা চহী ৩০ হেন্না খুল লোন্নদুনা লৈমিন্নরমখি। অৱা অনাদা নত্তনা থৌদোক ৱাথোক ফাওবা বার্ত্তন চৎনখি। লৈবাক্কী ইৱাং লৈরবসু কুকি ত্রাইবশিংগা ঐখোয়গা কুইনা শাংনা ইশাগী চহী ৩৭ শুরবা ফাওবা মখোয়গা খুন্দামিন্নদুনা লৈবনা থোইনা অসুম্না মখোয়না লান্দারক্কনি খল্লুদে। ইৱাংদি অসুম অসুম কল্লকখি। মেগী তারিখ ২৭ কী অহিং মতুং পুং ৪ দসু খুল লোন্নবা কুকি ত্রাইবকী চীফতসু মোবাইলদা ৱারী শানৈ। মখোয়না ফাও হায়, নখোয় মীতৈগী অমুবা ফিজোল শেৎপা অরাম্বাই লাক্লসু নোইনা থেমজিল্লু। ঐখোয় কুকি মিলিটেন্ট লাক্লসু ঐখোয়না থেমজিনগে। অদুবু ইৱাংসি ঐখোয় খূল য়ৌরকখি, ঐখোয় খুল মশেল মৈ থানবা য়াদে হায়নৈ। ইমা ইবেল, ইতৈমা ফাওবা অপীকপা অঙাংগা লোয়ননা তুরেলদা লাল্লকখি। লানবা ঙমদবা অহল লমন খরদি তুরেল মপানদা লাউ খোংদুনা কনবীয়ু কনবীয়ু হায়না লাউদুনা কপ্পকখি। ইশা হিংনবা নাপৎকী মী অয়াম্বা তুরেলদা ইরোয়নখি। তাংজেংগী মী অয়াম্বদি তুরেল মপানদা পোম্বীখোক হায়বা থংনবা খুলদা নুপী অঙাংনা তুরেল মরিনদা চেন্নৈ। নুপা নহানা উপায় লৈতদুনা তুরেলদা চোংথদুনা পোম্বীখোক তম্না ইরোয়খি। থাজদনা নুংঙাইনা তুল্লিঙৈ অহিংগী নোং ঙাল্লমদাই হায়রিবা নুমিৎসিগী অয়ুক পুং ২.১৭ তা তাংজেং নাপৎতা বোম অমা হান্না কাপ্পকখি। মদুগী মতুং ওটোমেটিক নোংমৈ মশিং থিঙমদনা চীংথক্তগী কাপ্পকখি। মখাদা চেল্লসু কুকি খুল ময়াম লৈ। মনিংদা চেনশিরা হায়রসু কুকি ত্রাইব ময়াম খুন্দাই। মমাঙদা চেল্লসু ইম্ফাল তুরেল চেল্লি। অপীকপা খুলগা তাইনবা অৱাং তানা পোম্বীখোক হায়বা খুঙ্গং তান্না তুরেল মপানদা চেনবা কয়া তুরেলদা ইরোয়দুনা চেন্নবা য়াওখি। মতমদুদা কুম্বী এসিগী ওনরেবল এম এল এ সনসম প্রেমচন্দ্রদা ফোন তৌবদগী মহাক্না ষ্টেট ফোর্স থাবীরক্তুনা নোংমৈ রাউন্দ খরা লাউ খোঙদুনা য়ুম মৈ থারিবা জাগা অদুদা কাপশিন্দুনা শুপ্নগী য়ুম খরদি কনবা ঙমখি। অদুবু ঙসি ফাওবা য়ুমদুদা চঙবা ঙমদনা থোকখিবা থৌদোক নীংশিংদুনা লমন শীংঙমদনা চাক্লা রিলিফ কেম্পদা ঐখোয় ময়াম লৈরি।

**অদোমগী - ৱাহেংবম সুভাসচন্দ্র, তাংজেং অহল্লুপ দিষ্ট্রিক্ট বিষ্ণুপুর**
**# ৮৭৮৭৫৫৫২৮১**

(৭)

## "থাগৎচবা"

নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউ চে "হুয়েল লানপাউ"না মণিপুরদা ফোঙবা পাউ চেশিংগী মরক্তগী The Largest Circulated Newspaper in Manipur ওইরকপসি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাইবা ফাওজে। ৱাফমসিমক ঐনা নুংঙাইবা ফাওজবগুম মণিপুরদা পাউ চে অসিবু পাবীরিবা মীয়ামসু থোইদোক্লা নুংঙাইবা ফাওবীরমগনি হায়না খনজে।

পাউ চে অসিদা মে ৩ গী থোকখিবা লানগী মরুওইবা পাউ মীয়ামদা মরিক চুম্না পাউদম ফজনা পীবা য়াওরি। ইরাংনা মরম ওইদুনা সরকারনা লাউথোকখিবা কার্ফিয়ুগী পাউসু মতম চানা ফংহল্লি। পাউ চে অসিদা য়াওরিবা অসি অৱাৎপা অমত্তা লৈতে। নুংতিগী শিজিন্নবা গ্যাসকী পাউ, কাংলুপকী লানদা মীশি মীনাগী মরিক চুম্বা পাউ অসিতসু নত্তনা লান্দা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পদা লৈরগা শেম্থোক লম্বী ফংহনবগী পাউসু মরিক চুম্না তম্বীরি। অমরোমদা অঙাংশিংগী ওইবা হৈশিংবা লৈ হায়বসু মীয়ামদা খঙহল্লি। নুমিৎ খুদিংমক্কী মীশিংগী রাশিগী ফলসু নোংমতা চিথদনা পাউদম্বীরি। নহা কয়া থবক ফংদবগী ফংজনবা খঙহনবগী পাউসু লেপ্তুনা য়াওহল্লি। থোইদোক্লা নুংঙাইবা অমনা নহানসু অহল ওইরবশিংগী কলম থম্বীদুনা অপাবা মীওইশিংদা অপেনবা পাউসিনা পীবিরি। অৱাৎপা অমত্তা লৈতনা মপান লমগী ই-পাউসু লেপ্পা লৈতনা লমায় অমা কন্দুনা অপাবশিংদা মহাও কয়া পীবিরি। অয়েকপা লাইগী ৱারী মচা অমসু মথেল ওইনা হাপ্পীরি।

পাউ চেসিবু থাগৎচনিংবা অমসুং মাগী মরমদা মীয়ামদা হায়জ নিংবা ৱাফমদি য়াম্না লৈখ্রে থাগৎচনিংবদি লোইবা নাইদে। তশেংনমক হায়জরবদা হুইয়েন লানপাউগী পাউ চেসি থোইদোক্লা হায়জরবদা অচৌবা ফজরবা পৃথিবীদা লৈবা লৈকোল অমনি হায়জনিংই। মসিবু ঐগী খক্তং ওইগদৌরিবরা পাবীরিবা মীয়ামগীসু অচৌবা লৈকোল অমনি হায়না খনবীরমগনি লৌজে। হুয়েল লানপাউ পাউ চেসিবু মপুং ফাবা অচৌবা লৈকোল অমা ওইনবা ঐখোয় খুদিংমক্লা অচৌবা থৌদাং লৌমীন্নসি অমসুং মতম কুইনা হিংহনসি।

মণিপুরদা থোক্লিবা কাংলুপকী লানসি লৈঙাক পায়বীরিবা এম এল এ/মিনিষ্টরশিং লৈবীরিবা ওর্গনাইজেসন ময়ামগা পুনশিনবীরগা অমত্তা ওইবা খোঙজং চংশিন্দুনা থোক্লিবা লানসি লোইশিন্নবা হোৎনবীরো। অমরোমদা মণিপুরদা লৈবীরিবা মীয়াম্নসু ওইরক্লিবা ফিভমসিদা মুন্না খন্থরগা করম্বা খোঙজং চৎথরগা লানসি মায় পাক্কদগে অমসুং প্রজাশিংসে নিং-তম্না লৈজবা য়াগদগে হায়বদু অমুক্তং খন্থবীরগা থবক ওইনা পাঙথোকপীরো। অমরোমদা নাকন অমগী প্রজাশিংদি লুচিংবা অমনা হায়বা ৱাদা অমত্তা য়েৎতে। লুচিংবা অমনা হায়রিবা ৱাফমশিংদু লোইনা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা চুরাচান্দপুরগী থৌদোক্তুনা তাকই। থৌদোক্তু নুপী অঙাং খুৎলাই পায়বা পায়দবা লোয়না মান্নদুনা থৌদোক্তু চৎথখি।

নাকন অমরোমদা থোক্লিবা ইরাংসিদা মণিপুরগী লৈঙাকলোইশিংনা লেপ্তুনা হায়রি, মদুদি মণিপুরবু মচেৎ তানা খায়দোকপা য়ারোই তোঙানবা এদমিনিষ্ট্রেসন লৈবা য়ারোই লাউরি। ঐখোয়না, প্রজানা পাম্বদি চিন্দা হায়বীবশিংদু থবক্লা খজিক্তং পাঙথোকপীবদুনি। লানগী ৱারোইশিন্দী থবক ওইনা পাঙথোকপা উদ্রি। ইরাংসিনা মরম ওইদুনা নাকন অনিগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্পবা লেপত্রি। মীশি মীনা কয়াসু য়াওনরি। অসিগুম্বা লানসিদা মরমদম মরৈকায়বু ঙাকচনবা নহারোল কয়া অমা থৱায় থানরি। মরম কয়াসিদগী ঙসিগী মমা মপা ওইবশিংনা নখোয়না খুল ঙাকপা ঙম্বীরোইদবা লৈরবদি ঐখোয়দা মতিক চাবা খুৎলাই পীবীরো। পীবীরোই হায়রগা মণিপুরদা লৈরিবা সিফাইশিংনা ঐখোয়বু ঙাকহনবীরো হায়দুনা লাউনরক্লে।

অরোইবদা ফজরবা হুইয়েন লানপাউ পাউ চেসিবু পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা ইচিন-ইনাও ময়াম্থু থাগৎচরি। লোয়ননা পাউ চেসি মপুং ফানা ফজরবা লৈকোল অমা ওইনবা হোৎনরিবা অইবা অইবীশিংসু থাগৎচরি মতম কুইনা পাউ চেসিনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙল্লসনু অমসুং তুং কোইনা মীয়াম্না পাম্নরবা পাউ চে অমা ওইহল্লসি।

**অদোমগী - ওইনাম কুঞ্জকেশোর**
**# ৮৭৮৭৬৮৯২৭৩**

(৮)

মে ৩ গী ইল্লিগেল কুকি ইন্মিগ্রেন্ট শিংগী তমথীরবা, মতম কয়াগী মমাঙদগী প্লান্ট তৌদুনা চথরকপা লাঞ্জং অদুনা ঙসিগী লমদম অসিদা থাজরুদবা থৌদোক কয়ানা মমা-মপা, মচে-মচল, মচা কয়াগী মীৎলু পিরাংদি ঙসি ফাওবা কংবা লৈতে। চীংখোং চীংয়াদা মীকপ মীরাওখোল, নোংমৈ মখোল ঙসিসু লেপ্পা লৈতে। য়ুম কয়া মৈ থাবীখ্রে। লন-থুম কয়া হুবীখিবতা নত্তনা মীওই কয়া লাঞ্জেন্নখিবগী তাঞ্জা লৌদুনা মৈতৈ খুল কয়াদি খুন্দারম্মী হায়বা ফাওবা খঙদনবা কুকিশিংনা তেমখায়বীরি।

ইন্দিয়া অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা তৌফম থোকপা মথৌদাং মতম চানা তৌখিদবনা ঙসি ফাওবা মীতৈ-কুকি অনীগী কাঙলূপকী ইরাং অসি লোইশিনবা ঙমদবগী অচৌবা মরম অমা ওইরি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীতৈশিংবু করম্বা মীৎয়েং য়েংলি হায়বদু ময়েক শেংবদা নত্তনা কনা কনানা চিন-নার্কো টেররিষ্টশিংবু মথৌ শংলিবগে হায়বসু তরং তরংনা থোরক্লি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা সূগী গ্রাউন্দ রুলশিং থুগায়রিবা কুকি মিলিটেন্টশিং ইরাং লেপত্রবদি সূ ৱিদ্রো তৌগনি কিহনবদা ইরাং খুদক্তা লোইশিনবা য়ারবা লাইৱানি হায়বা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা খঙনা খঙনা খঙশিন্নদ্রিবরা হায়বসি ৱাহং ওইরি। করম্বা মতমদা লমদম অসিদগী কুকি ইল্লিগেল ইন্মিগ্রেন্টশিং তকথোক্তুনা মরা তপ্পা ফিভম লৈবা লমদম অমা ওইগদগে হায়বসিসু ঙাইবা তারি।

**অদোমগী - অঙৌতোন খুমন**
**# ৬৯০৯৬৩০৯৫৭, ৯৮৬৩১৩৩৭৫১**

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৩

১) **"মিৎয়েংগী ৱাংমদা"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো?
২) **"ৱাশক্লে ইমা নঙগীদমক/ঐখোয়নি অনৌবা যুগকী থোঙশঙবা/শঙগনি ভারতকী মালেম/অমত্তা ওইনা তিন্ননা/"** পীজরিবা ঈশৈগী অহৌবা পরেং অসি মণিপুরগী শক্লঈরবা অইবা অমগী ঈশৈগী লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। অইবা অসি কনানো? মহাক্কী লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
৩) **"কামায়নী"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?
৪) **"পিরাংনা চৈহৌই ঐবু"** হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপান লমগী অইবা অমনা ইবা ৱারীমচাশিংগী খোমজিনবা লাইরিকনি। অইবা অসি কনানো?
৫) **"ৱারীনি তুরেল ৱাংমগী"** হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো ?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।